# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পিগী অৰাং নোংপোক লমদমগী থবক পুরিবা এম.পি. সম্বিৎ পত্রনা হায়রি- মণিপুরদা শান্তি পুরকবা অমদি অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনা থমবা বি.জে.পিগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

২) মনিপুরদা মরু মরাং হুনবগী কুন্ধে-লুই-ঙাইনি ঙসি পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) সি.বি.এস.ইনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি।

------

সম্বিত (এল) ঃ বি.জে.পিগী অৰাং নোংপোক লমদমগী থবক পুরিবা এম.পি. সম্বিৎ পত্রনা হায়রি- মণিপুরদা শান্তি পুরকবা অমদি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনা থমবা বি.জে.পিগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

রাজ্য অসিদা রাষ্ট্রপতিগী সাসন লাকখ্রবা মতুংদা ঙরাং সম্বিৎ পত্রনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা দল অসিনা চপ চানা থবক পায়খৎলি হায়না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়খি।

লুই-ঙাইনি(এল) ঃ মনিপুরদা মরু মরাং হুনবগী কুন্ধে-লুই-ঙাইনি ঙসি পাঙথোক্লি। নাগাশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুন্ধে অসিগী মপুং ওইবা থৌরম য়ুনাইটেদ

নাগা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী কাতোমাইদা পাঙথোক্লি। নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখিনিনা হায়-কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী নাগা ফুরুপকী মীওইশিং অমসুং কুম্মৈ অসিগী বার্ত্তন ফংলবা মীওইশিং থৌরম পাঙথোকফমদা পুল্লরে।

কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- লুই ঙাই নি কুম্মৈ অসি নাগাশিংগীতা নত্তনা অতৈ কাংলুপশিংগী ওইনসু শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা অমসুং অপুনবগী শক্তম শাগৎপা কুম্মৈ অমনি। লুই ঙাই নি কুম্মৈনা হৌখিবা চহি কয়া অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা তুরিষ্ট ফেষ্টিভেল অমা ওইদুনা লাক্লি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনসু কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী য়াইফ পাউজেল পীরি।

ববিনা (এল)ঃ এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়ানা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট ববিনা স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালদা এক্সেলেন্স ইন নর্সিং প্রাক্তিসেস এৱার্দ ২০২৫ পীরক্লে। মনা অসি কেরলাগী কোচিদা পাঙথোকপা এসোসিয়েসন অসিগী থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি।

রাইতরস (এল)ঃ পেত্রিয়োতিক রাইতরস ফোরম মণিপুরনা পীবা লিতরেরি এৱার্দ ফংগদবশিংগী মীং লাউথোক্লে। সুরেস খুন্দোংবমদা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোট কুমারি লিতরেরি এৱার্দ ২০২৪, রাজকুমারি নয়নসনা দেবীদা আর. খথিন তাংখুল লিতরেরি এৱার্দ ২০২৫, কৈশাম বিজয় কুমারদা পচা মীতৈ লিতরেরি এৱার্দ ২০২৫ অমসুং থোকচোম থৌয়াংবাদা ডা.সরোজ নলিনি অরাম্বম পরট লিতরেরি এৱার্দ ২০২৫ পীরগনি।

সিবিএসই ঃ সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন (সি.বি.এস.ই)না লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি। পরিক্ষাশিং অসিদা ভারত অমসুং ভারতকী মপানদা লৈবা পুন্না সেন্তর লিশিং ৭,৮৪২ দা মহৈরোই লাখ ৪২ হেনবনা পরিক্ষা থাগনি। পরিক্ষা অসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী হৌরগা নুংথিল পুং ১ মখায়দা লোইশিনগনি। ক্লাস টেনগী পরিক্ষানা মার্চ ১৮ দা অদুগা তুয়েল্বকী পরিক্ষানা এপ্রিল ৪ দা লোইগনি।

পিএম ঃ আমেরিকা অমসুং ফ্রান্স লৈবাক অনিগী মায় পাক্লবা খোঙচৎকী তুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙরাং নুমিদাং নিউ দিল্লিদা হল্লকখ্রে।

রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা বার্তন তৌরকপদগী শ্রী মোদি আমেরিকাদা চৎলুবনি। দোনাল্ড ত্রম্পনা অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা রাষ্ট্রপতি ওইরবা মতুংদা মসি শ্রী মোদিগী অহানবা আমেরিকা খোঙচৎনি। শ্রী মোদিনা রাষ্ট্রপতি ত্রম্পকা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি। লুচিংবা অনিনা পুন্না ২১ শুবা চহিচাগী য়ু.এস-ইন্দিয়া কম্পেক্টসু হৌদোকখি।

শ্রী মোদিগী ফ্রান্স খোঙচৎ মনুংদা মহাকা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমানুএল মেক্রোনগা পেরিসতা পাঙথোকপা এ.আই. এক্সন সম্মিৎতা পুন্না সভাপতি ওইমিন্নখি।

গঙ্গা ঃ গঙ্গা তুরেল লু-নান্না থমবগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবগী খোঙজং অমা ওইনা লম-তু শেংবগী থবক তৌবা মীওই ৩০০ হেনবনা ঙসি তুরেল শেংদোকপগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থমবগীদমক অচৌবা খোঙজং অমা চংশিনগদৌরি।

লম-তু শেংদোকপগী থবক অদু মহা কুম্ভগী ঘাৎ অহুম- রাম ঘাৎ, ভরদ্বাজ ঘাৎ অমসুং গঙ্গেশ্বর ঘাৎতগী চপ মান্নবা মতমদা হৌগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- থৌরম অদুগী ভিদিও রেকোর্দিং নিংথিনা য়েংবগা লোয়ননা ভেরিফাইদ তৌরবগী তুংদা জেনিয়স বুক ওফ ৱার্ল্ড রেকোর্দনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ ওইরে হায়বদু লাউথোক্কনি।

মিতিং ঃ যুনাইতেদ কিসান মোর্চা (নোন-পোলিতিকেল) অমসুং কিসান মজদুর মোর্চানা ঙরাং কেন্দ্রগী মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা চান্দিগরদা ৱারী শান্নখ্রে। মদুদা লৌমীশিংগী লুচিংবা জগজিৎ সিংহ ধালেৱাল অমসুং সরৱন সিংহ পান্ধর য়াওনা লৌমী ২৮ না শরুক য়াখি। চীফ সেক্রেটরি কে.এ.পি সিনহা, পঞ্জাবগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি গুরমিত সিংহ খুদিয়ান অমদি কেবিনেট মন্ত্রি লালচান্দ কাতারুচকসু মীফম অদুদা য়াওখি। মথংগী মীফম থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্কনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা নিউ দেল্লিগী মেজর ধ্যান চান্দ স্তেদিয়মদা আদি মহোতসব ২০২৫ হৌদোক্লগনি। থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী ত্রাইভেলশিংগী থৌনা, খূৎশা হৈবগী থবক, নাৎ, চান-থকবা অমসুং লল্লোন ইতিকশিং উথোকবা পান্দম থল্লি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ত্রাইবেল এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি দুর্গাদাস উইকেনা হায়- থৌরম অসিনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা ত্রাইবেল আর্তিসানশিং অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা প্লেটফোর্ম অমা পীবনি। মহাকা হায়- মীফম অসিনা ত্রাইবেল ওন্তরপ্রেন্যুর ৬০০ লোম পুনশিনবগী খুদোংচাবা পী। নুমিৎ ৯ নি চপ্থগদবা থৌরম অসিগী ২৪ দা লোইশিনগনি।

গেমস (এল)ঃ উত্তরাখন্দদা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৫৫ ফংদুনা ১১ শুবা পোজিসন তারে। মথং নেসনেল গেমস অৱাং নোংপোক রাজ্য মেঘালয়গী শিল্লোংদা পাঙথোক্কনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা প্রসিদেন্টস রুল থম্লকপদা কংগ্রেসনা থম্লকপা ৱাফম, বি.জে.পি লুচিংবা সম্বিৎ পত্রনা মণিপুর কায়হল্লোই হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং কাংপোকপীদা নোংমৈ পায়রগা ফুটবোল শান্নখিবা মী

মঙা ফাগৎখিবগী পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদা কংগ্রেস লুচিংবশিং মৈ হৌনা শাওরে, কন্সটিট্যুসনগী আর্তিকল থ্রি সস্পেন্দ তৌরক্লিবা করিগীনো হায়না এম.পি.সি.সি প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা থমখিবা ৱাফমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সেন্তরনা মণিপুর মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি সেকেন্দ ক্লাস সিতিজন অমগী মওংনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- পি.আর. থমখ্রবা মতুং সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং য়ামা হেন্না কনশিনখ্রে, তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংদা কাদর ১০ ফাগৎখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনরবসু মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়না বি.জে.পি লুচিংবা সম্বিৎ পত্রনা হায়খিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর অমসুং দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টরশিং খন্নবা ঙসি দিল্লিদা খন্নরবা য়ারি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নোংমৈ পায়দুনা ফুটবোল মেটচ য়াওরুবা মীওই মঙা ফারে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসতা ফোংলি। অককবা মতম অমগী মনুংদা লৈঙাক শেমদুনা পি.আর লৌথোকবা হোৎনগদবনি হায়না কোকোমিনা হায়খিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা মমাং চহিগী দিসেম্বরদগী চৎনবা হৌখিবা এফ.এম.আরগী রেগুলেসনগী মখাদা পাস পায়রগা ম্যান্মারদগী চংলকখিবা মীওই লিশিং ৭ হেনখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদললাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------